# ইমরান খান নো কনফিদেন্স ভোটতা মায়থীবদগী পিএমগী ফম তাখ্রে, সেহবাজ সরিফনা নোমিনেসন পেপর পীশিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): নোংমাইজিং নুমিত্তা ওপোজিসনগী নো-ট্রষ্ট মোসন ভোট লৌনবদা মায়থীবদগী পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান ফম তাখ্রে।

মেম্বর ৩৪২ লৈবা নেসনেল এসেমব্লিদা ভোট লৌনবদা পুন্না মেম্বর ১৭৪ না রিজোলুসন অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখি। ইমরান খান হৌজিক পাকিস্থানগী পুৱারীদা নো-কনফিদেন্স ভোট লৌনবদা মায়থীবা নঙবা অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরে।

মহাক্কী মমাংদা কুমজা ২০০৬ তা নো কনফিদেন্স মোসন ভোট লৌনবদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর সৌকট অজিজ মায় পাকখি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৯৯ দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনর্জি ভুটোগী মায়োক্তা ওপোজিসন্না পুখৎখিবা নো ট্রষ্ট মোসন মায়থীবা নঙখি।

অসাদ কাইজরনা স্পিকরগী ফমদগী রিজাইন তৌরবা মতুংদা ওপোজিসন পাকিস্থান মুস্লিম লিগ-নৱাজকী অয়র সাদিক্না নেসনেল এসেমব্লিগী চার্জ পুখি। মহাক্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা ভোট লৌনবদুগী রিজল্ট লাউথোকখিবনি।

কাইজরনা ফম থাদোকখিবদু প্রাইম মিনিষ্টর চিংথুনবগীদমক মপানদগী লৌতুনবদা মহাক য়াওরোই হায়রদুনা স্পিকর কাইজরনা ফম থাদোকখিবনি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ দা হৌখিবা এসেমব্লি সেসন এদজোর্ন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা সাদিক্না হায়খি, মদুদি অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমগীদমক নোমিনেসন পেপরশিং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা সবমিট তৌগদবনি। পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা স্ক্রুটিনি লোইশিনগনি। মদুগী মতুং মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা নেসনেল এসেমব্লি সম্মোন তৌখিবগা লোয়ননা মতম অসিদা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খল্লগনি হায়খি।

ইমরান খাননা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী তাখিবগী মতাংদা রিএক্ট তৌরদুনা ফম অসিগী জোইন্ট ওপোজিসন কেন্দিদেট ওইরিবা সেহবাজ সরিফনা নোংমাইজিং নুমিৎকী ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি পাকিস্থান অমসুং লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট থেংলবসু থেংনা শাথিরবা ক্রাইসিস অমদগী নাথৈবা ঙম্লে।

খাননা ফম তাখ্রবা মতুংদা সরিফনা নেসনেল এসেমব্লিদা হায়খি, মদুদি লাক্কদৌরিবা অনৌবা গভর্নমেন্টনা লমন খুন্নগী পোলিটিক্স চত্থরোই।

নো-কনফিদেন্স মোসন অমগী খুত্থাংদা ইমরান খাননা ফম তাখ্রবা মতুং অসিদা হাংলিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম অসিগীদমক পিএমএল-এনগী প্রসিদেন্ট সেহবাজ সরিফনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মহাক্কী নোমিনেসন পেপরশিং সবমিট তৌখি।

নেসনেল এসেমব্লিনা পীখিবা মতমগী মতুং ইন্না সরিফনা হাউসকী অনৌবা লুচিংবা ওইনবগী নোমিনেসন পেপরশিং সবমিট তৌখিবনি। এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী মতুং ইন্না পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) না ফম অদুগীদমক হান্নগী ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মেহম্মুদ ক্যুরেসি নোমিনেট তৌখ্রে।

পিএমএল-এনগী সেনিয়র লিদরশিং খ্বাজা অসিব অমসুং উলানা কনবিরনা সরিফকী ইনদোর্সরশিং ওইগনি।

চৈরকসিদা পিটিআইগী মেম্বরশিং অমির দোগার অমসুং অলি মোহম্মদ খাননা পার্টিগী ভাইস চিয়ারমেনগী ইনদোর্সরশিং ওইগনি।

# লোনা য়াদবা এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈননা ইরাননা য়ুএসকী ইন্দিভিজুএল ২৪ ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রে



টেহরান, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): টেরোরিষ্ট অমসুং এন্টি-হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিটিশিংদা চেন্নবগীদমক য়ুএসকী ওফিসিএল অমসুং ইন্দিভিজুএল ২৪ অমসু অথিংবা থল্লগনি হায়না ইরাননা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে। মসি ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা পাউগী মতুং ইন্ননি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মীওইশিং অসিনা টেররগী থবক থৌওংশিং শৌগৎলি অমসুং টেরোরিজম শন্দোকপগা লোয়ননা হ্যুমেন রাইটস ইফোঙ ফোঙনা খোঙ্গাওনৈ।

ইরানগী হ্যুমেন রাইটস অমসুং কাউন্টর-টেরোরিজম লোশিংগী মতুং ইন্না নখোয় ব্লেকলিষ্ট তৌরে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়, ইরানগী মীয়াম অমসুং গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা য়ুএসনা কিহনবগী খোঙথাং কয়া লৌখৎখিবদসু মখোয়না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।

মীওইশিং অসিনা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিং অমদি এক্তিভিটিশিং শৌগৎপগা লোয়ননা লমদম অদুদা ইজরেলনা চত্থরিবা ওৎ-নৈবগী থবক থৌওংশিং মরু ওইনা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়োক্তা চত্থরিবা ফৎত্রবা থবকশিংবুসু শৌগৎলি। য়ুএসনা মালেমগী লৈবাক অমত্তগী সপোর্ট য়াওদনা মশাগী অনিংবা অপান্বগী মতুং ইন্না লৌখৎখিবা কিহনবা অমদি নম্ফুগী থৌরাংশিংনা ইরানিয়নশিংগী পুন্সি মহিংগী ফিভমশিং কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক মরক্তা কা হেন্না শোকহনখি।

মখোয়গী নম্ফুগী থৌরাংশিং অদুনা মরম ওইদুনা ইরানিয়নশিংনা লুরবা লায়না লাইচৎ মরক্তুদা অনা লায়েং অমদি হিদাক লাংথক্কী খুদোংচাবা ফঙহনখিদে।

মখোয়না ইরানিয়নশিংগী বেসিক রাইটশিং মৎখি। অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি ইন্টরনেসনেল লোগী ফন্দামেন্টেল প্রিন্সিপালশিং অমদি হ্যুমেন রাইটশিং খোঙ্গাওনৈ অমসুং মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চত্থবা শেংলবা ক্রাইমনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

মখা তানা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, টেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিং শৌগৎপা, অসিগুম্বা থবকশিং ফাইনান্স তৌবা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংদা মেটেরিএল সপোর্ট পীবা হায়বসি ইন্টরনেসনেল লো খোঙ্গাওনৈ হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

# য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না রসিয়াগী মায়োক্তা থমগদবা তরুকশুবা রাউন্দগী অথিংবশিং খন্নরগনি



ব্রসেলস, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা মোস্কোগী মায়োক্তা থমগদবা তরুকশুবা রাউন্দগী অথিংবশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তা খন্নরগনি। তৌইগুম্বসুং ব্লোক অসি রসিয়াদগী গ্যাস অমসুং থাউ ইম্পোর্ট তৌবা থিংবগী মতাংদদি মত মান্নদনা লৈরি।

ইরাই নুমিত্তা কিভতা খোঙচৎ অমা চৎখিবা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা ভোন দের লেয়েন্না হায়খি, মদুদি য়ুমলোন্নবা লৈবা প্রো-ৱেষ্টর্ন লৈবাক অমদা লান্দাবগীদমক্তা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনবু হেন্না কনবা চৈরাকশিং ফঙহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ইয়ুনা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া মথং মথং থম্নবা হোৎনরি।

লান অদুগীদমক্তা পুটিনবু অকনবা চৈথেং ফঙহন্নবগীদমক ঐখোয়না অরৈবা শেল থুমগী পৱার শীজিন্নদুনা রসিয়াবু চৈরাক পীনবা হোৎনরি। মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ঐখোয়না রসিয়াগী মায়োক্তা থেংখাংনাইনা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থমখ্রে। হৌজিকসু মথং রাউন্দগী অথিংবশিং থম্নবা ঐখোয়না শেম শারি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী অথিংবশিং অদুনা রসিয়াবু চৈথেং চাওনা ফঙহনগদবা ওইরবসু ইয়ুনা লৈবাক অসিগী ওইল অমসুং গ্যাস এক্সপোর্টশিং বোয়কোট তৌবগী ৱাফম অসিদি য়ুনিয়ন অসিনা হৌনবী মতুং ইন্না খন্নবা লৈত্রি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী দিপ্লোমেটশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা ফোরম খরগা খন্নবদি য়াওরি। ইয়ুদা রসিয়াগী মায়োক্তা শেল থুমগী অমদি অতৈ অথিংবা কয়া থম্নবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা হঞ্জিন হঞ্জিন তকশিনখ্রবনি।

ইরাই নুমিত্তগী থল্লকখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী অথিংবশিং অদুদা ইয়ুদা রসিয়াগী কোয়লা পুশিনবা থিংবা য়াওরি। মসি অহেনবা ইনর্জি সপ্লায়শিং হেন্না চাওনা থিংনবা হোৎনরকপগী মায়কৈদা থাংলকপা অহানবা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি।

অদুম ওইনমক অথিংবশিং চৎনহনবা মতমদা ইয়ুগী লৈবাক ২২ গী মরক্তা মত মান্নবা চঙই। রসিয়াগী গ্যাসকী মপান তাংদুনা লৈবা লৈবাকশিং হায়বদি জমর্নি, ইটালি, ওষ্ট্রিয়া অমসুং হঙ্গেরিগুম্বা লৈবাকশিংনদি গ্যাসনচিংবা ফ্যুএলগী আইটেমশিং অসি অথিংবশিংগী লিষ্ট অদুদা য়াওহনবা পামদ্রি।

ব্লোক অসিগী ফোরেন পোলিসি চীফ জোসেফ বোরেলগী মতুং ইন্না হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান হৌখিবদগী ক্রেমলিননা গ্যাস, থাউ অমসুং কোয়লা ইয়ুদা য়োন্দুনা য়ুরো বিলিয়ন ৩৫ হেন্না তানশিনখ্রবনি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন কম্মিসনগী মতুং ইন্না কোয়লা পুশিনবদা অথিংবা থম্বা অসিনা হায়রিবা শেনফম অদুদগী চহী অমদা য়ুরো বিলিয়ন ৮ লোম হন্থহনবা য়াগনি হায়না পারি। মসি অপূনবা ফোসিল ফ্যুএল রিভেন্যুশিংগী শরুক খরদনি।

তৌইগুম্বসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না হৌজিক য়ান্নরিবা মরু ওইবা ৱাফম অমদি য়ুক্রেনদা খুৎলায় পীশিনবগী ফাইনান্স তৌবা অসিনি।

য়ুক্রেনগীদমক্তগা অসিগুম্বা খুৎলায়শিং লৈবদা ফন্দিং তৌগদৌরিবা য়ুরোপিয়ন পিছ ফেসিলিটিদা অহেনবা য়ুরো মিলিয়ন ৫০০ অমসু থুনা হাপচিন্দুনা য়ুক্রেনদা পীশিনগদৌরিবা খুৎলায়শিং অদু পুন্না য়ুরো বিলিয়ন ১.৫ রোমগী ওইরগনি হায়না ইয়ুগী দিপ্লোমেন্ট কয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

ভোন দের লেয়েনগী কিভ খোঙচৎতা লোইনখিবা বোরেলনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেনবু মখা তানা মতেং পাঙবদা শীজিন্নগদৌরিবা শেনফম অদুদা অথুবা মতমদা য়ুরো মিলিয়ন ৫০০ অমগসু হাপচিল্লগনি। মসি য়ুক্রেননা য়ুরোপকী নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা খুৎলায় পীয়ু হায়না লেপ্তুনা দিমান্দ তৌখিবগা মরী লৈনৈ।

# ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্ব হন্থরকপদগী নেপালদা গাড়ী য়াওনা নন-ইসেন্সিএল পোৎলমশিং ইম্পোর্ট তৌবা লাকশিনখ্রে



কাথমান্দু, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): গাড়ীশিং অমদি অতৈ নন ইসেন্সিএল পোৎলমশিং মপানদগী লৈবগা মরী লৈননা অনৌবা লেটর্স ওফ ক্রেদিট ইস্যু তৌবা লেপ্পনবা নেপালগী সেন্ট্রেল বেঙ্কনা লৈবাক অসিগী কর্ম্মসিএল বেঙ্কশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্ব হন্থরক্লিঙৈ মরক্তা সেন্ট্রেল বেঙ্কনা ইন্সট্রক্সন অসি পীখিবনি। নেপাল রাষ্ট্র বেঙ্ককী ইকনোমিক রিছার্স দিপার্টমেন্টকী চীফ প্রকাস কুমার শ্রেস্থানা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না কর্ম্মসিএল বেঙ্কশিংগী টোপ ওফিসারশিংদা নন-ইসেন্সিএল পোৎলমশিংনি হায়না খন্নবা গাড়ী অমদি অতৈ আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবগা মরী লৈননা লেটর্স ওফ প্রিদিক্টি ইস্যু তৌবা লেপ্পবা খঙহনখ্রে।

অৱাবগী মতমদা অকে অমৌগী পোৎলমশিংদা চাদিং তৌথোকপগী মহুত্তা হিদাক লাংথকশিংগুম্বা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং লৈবদা শীজিন্ননবগীদমক্তগা ঐখোয়না ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্বশিং প্রিজার্ব তৌবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২১ গী জুলাই থাখায়দগী হৌখিবা চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তুগী নেপালগী ফোরেন রিজার্বশিং লেপ্তুনা হন্থরকপা উখি।

ইম্পোর্টশিংগী চাং হেনগৎলকপা, রিমিটেন্স লাকপা হন্থরকপা অমসুং টুরিজম অমদি এক্সপোর্টশিংদগী শেল তানবগী চাং কা হেন্না নেম্লকপদগী লৈবাক অসিগী ফোরেক্স রিজার্ব লেপ্তুনা হন্থরকখিবনি।

সেন্ট্রেল বেঙ্ককী ফিগর্স মতুং ইন্না ফেব্রুৱারী ময়াই চল্লকপা ফাওবদা লৈবাক অসিগী গ্রোস ফোরেক্স রিজার্ব কুমজা ২০২১ জুলাইদা দোল্লর বিলিয়ন ১১.৭৫ ওইরম্বদগী দোল্লর বিলিয়ন ৯.৭৫ তা হন্থরকখি। হন্থরকপগী চাং চাদ ১৭ নি।

লৈবাক অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফোরেক্স রিজার্বনা শুপ্নগী থা ৬/৭ কী পোৎলমশিং অমদি সার্ভিসশিং ইম্পোর্ট তৌবা য়াগনি হায়না পারি। মসি সেন্ট্রেল বেঙ্ককী টার্গেট ওইরিবা থা ৭ তগী হন্থরিবনি।

ফোরেক্স আর্নিং হন্থরক্লিঙৈ মরক্তা ইম্পোর্টকী চাং ৱাংলকপা অসিনা রেকোর্দ ওইবা মওংদা বেলেন্স ওফ পেমেন্ট দিফিসিট ৱাংলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি শ্রীলঙ্কাদা হৌজিক থোক্লিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অসিগা মান্নবা ফিভম অমা মায়োক্নরক্লগদ্রা হায়বগী অকিবা পোকহনখি।

শেনবা চহী অসিগী অহানবা থা তরেৎকী মনুংদা নেপালগী বেলেন্স ওফ পেমেন্ট দিফিসিটকী শেনফম দোল্লর বিলিয়ন ২.০৭ ওইখি। মসি মমাঙগী শেনবা চহীগী মান্নবা মতমগী মনুংদা দোল্লর মিলিয়ন ৮১৭.৬ কী সর্প্লস লৈখিবগী মায়োক্তনি হায়রি।

# সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট খল্লবা য়ুন সুক-য়িওলনা অনৌবা কেবিনেট নোমিনি ৮ লাউথোকখ্রে



সিওল, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াগী মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট খল্লবা য়ুন সুক-য়িওলগী নোংমাইজিং নুমিত্তা অনৌবা কেবিনেট নোমিনি নিপানগী মিংশিং লাউথোকখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, রিপ্রজেন্টেটিব চু কিয়ুং-হো দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ফোর ইকনোমি ওইনা নোমিনেট তৌখি অমসুং হান্নগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী ভাইস চিয়ারমেন লি জোং-সুপপুনা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইনা নোমিনেট তৌখি।

কোরিয়ান এদভান্স ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী প্রোফেসার অমা ওইরিবা লি চাং-য়াং ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর ওইনা নোমিনেট তৌখি। হান্নগী জেজু গভর্নর ৱাং হি-রোংবুনা লেন্দ মিনিষ্টর ওইরগনি হায়না লাউথোকখি।

সিওল নেসনেল য়ুনিভর্সিটিগী সেমি কন্দক্ট রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী চীফ লি জোংনা সাইন্স মিনিষ্টর ওইরগনি হায়না লাউথোকখি। কিংপুক নেসনেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালগী হান্নগী চীফ চুং হো-য়ুনবুনা হেল্থ মিনিষ্টর ওইহন্নবা নোমিনেট তৌখি। জুং আং ইলবো পাউচেগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট পাক বো-য়ুন কলচর মিনিষ্টর ওইনবা নোমিনেট তৌখি অমসুং হান্নগী রিপ্রজেন্টেটিব কিম য়ুন-সুক মিনিষ্টর ওফ জেন্দর ইক্কেলিটি এন্দ ফেমিলি ওইহন্নবা নোমিনেট তৌখি।

সিওলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা প্রসিদেন্ট ওইরগদবা য়ুন সুক-য়িওলনা হায়খি, মদুদি মহাক্না মীওই নিপান অদুবু খল্লিবদু মখোয় মখোয়দা শিন্নগদৌরিবা এরিয়াশিং অদুগী চার্জ পায়বদা খ্বাইদগী ফবা মীশকশিং ওইবা য়াই অমসুং মখোয়না লৈবাক অসিগী অমসুং মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক শোয়দনা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবদগীনি।

অতৈ নোমিনিশিং অদুসু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। য়ুননা ওফিস পায়গদবা থা অমা ৱাৎলিঙৈদা নোমিনেসনশিং লাউথোক্লিবনি। এপ্রিল ৩ দা প্রসিদেন্ট-ইলেক্ট অসিনা হান্নগী প্রেমিয়র হান দুক-সুবু মহাক্কী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি হায়না লাউথোকখি।

নোমিনেসনশিং অদু পার্লিয়ামেন্টরি কনফার্মেসন প্রোসেস চত্থবা মথৌ তাই। তৌইগুম্বসুং প্রাইম মিনিষ্টরগীদমক পার্লিয়ামেন্টগী এপ্রুভেল চঙগনি।

# ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেটকী এটেক্তা মীওই ২, শিরে, ৪ শোক্লে

বাঘদাদ, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ইরাক্কী অৱাং থংবা প্রোভিন্স কিরকুক্তা এক্সট্রিমিষ্ট ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) গ্রুপকী মিলিটেন্টশিংনা থাংজ নুমিত্তা চত্থখিবা এটেক্ত অমদা পেরা মিলিটরি হাসব সাবি ফোর্সেসকী মেম্বর অমা অমসুং ভিলেজর অমা শিখ্রে অমসুং ভিলেজর মরি অশোক অপন নঙখ্রে হায়না লোকেল পুলিস ছোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

কিরকুক পুলিসকী মেজর অবাস অল-ওবাইদিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, এটেক্ত অদু নুমিদাংগী মতমদা বাঘদাদতগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২৫০ রোম লাপ্পা লৈবা অল-রাসক টাউনগা নক্লবা ভিলেজ অমদা আইএস মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা চত্থখিবনি।

অল-ওবাইদিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ভিলেজ অদুদা লৈরিবা পেরা মিলিটরি হাসদ সাবী মেম্বরশিংনা খুৎলায় পায়দুনা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনরিবা ভিলেজরশিংগা খুৎশম্নদুনা এটেক্করশিং অদুবু মায়োক্লখি।

রিইনফোর্সমেন্ট ট্রুপশিং থুংলবদগী এটেক্করশিং অদু মফম অদুদগী চেনখি। এটেক্করশিংগী মায়কৈদা মীশি মীনাশিং থোকখি নত্ত্রগা থোকখিদে হায়বসি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরাক্কী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা অকনবা এটেক্তশিং চত্থদুনা মখোয়গী এক্তিভিটিশিং লাকশিন্নবা হোৎনখি।

কুমজা ২০১৭ দা ইরাক্কী ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থীবা পীখিবদগী ইরাক্তা সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি। তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসিগী মীওই কয়া মতম অদুদগী অর্বান সেন্টরশিং, লৈকংলাশিং অমদি চীংনুং মানুংশিংদা চঙশিন্দুনা ফিভম শেমদুনা লৈনখিবগা লোয়ননা মখোয়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীচমশিংগী মায়োক্তা গুরিলা এটেক্তশিং তোইনা চত্থদুনা লাকখি।

চহী অসিগী জনুৱারীগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা ইষ্টর্ন প্রোভিন্স দিয়ারাদা লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা অহিংগী মতমদা চত্থখিবা শাথিরবা এটেক্ত অমদা ইরাক্কী লান্মী ১ শিখিবনি।

এটেক্ত অদু হাৱি অল অজিম এরিয়াদা লৈবা মিলিটরি বেজ অদুদা নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ রোম তাবদা চত্থখিবনি। বেজ অদুদা আইএস মিলিটেন্টশিংনা এটেক্ত তৌবা ঙমখিবদু মরু ওইনা লান্মীশিংনা চেকশিন্দবদগীনি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সিনিয়র মিলিটরি ওফিসার অমনা মতমদুদা ফোঙদোকখিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী জেনরেল ইলেক্সন মে ২১ দা পাঙথোক্লগনি



কানবেরা, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী জেনরেল ইলেক্সন লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মে ২১ দা ভোট থাদনরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

মোরিসন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা গভর্নর জেনরেলগী মনাক্তা চৎখি অমসুং পার্লিয়ামেন্ট মুত্থৎখি।

মহাক্না হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী সিট ১৫১ মক্কী অমসুং সিনেটকী সিট ৭৬ কী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদি মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

লৈঙাক পায়রিবা লিবরেল-নেসনেল কোলিসন্না কুমজা ২০১৩ দগী পৱার পায়রকপনি। কোলিসন অসিনা মখা তানা পৱার পায়দুনা লৈবা তারবদি মোরিসন্না কুমজা ২০০৪ দগী থংন থংননা মীখলদা মায় পাকপা অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি।

ন্যুজ পোলদা ওপোজিসন লেবর পার্টি অমসুং মসিগী লুচিংবা এন্থোনি অলবানেসনা ফিভম ফবগী ইঙ্গিৎ উখি। মত লৌবদা মীয়ামনা পার্টি অসিবুনা হেন্না পান্বগী মওং উবা ফঙখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা রি ইলেক্সন কেম্পেইন হৌরদুনা মোরিসন্না হায়খি, মদুদি কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কা মরম ওইদুনা চৈথেং নঙহৌরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শেল থুমগী ফিভম অমুক হন্না ফগৎহন্ননবা কোলিসন্না পায়খৎকদৌরিবা অমদি পায়খৎতুনা লাক্লিবা থবকশিংদা মীয়াম্না থাজবা থম্বীগদবনি।

মীখল অমদি কেম্পেইন অসি য়াম্না মরু ওই। ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং লৈবাক অসিগী তুংলমচৎ মীখল অসিনা লেপকদৌরিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। চয়োল তরুকলোম চুপ্পা চত্থগদৌবা ইলেক্সন কেম্পেইন অদুবু দোমিনেট তৌগদৌরিবা ইস্যুশিংদা কোভিদ পেন্দেমিক, ক্লাইমেট চেঞ্জ, কোষ্ট ওফ লিভিং অমসুং হাউজিংগী ৱাফমসু য়াওরি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিও পোষ্ট অমদা করিগুম্বা কোলিসন অসিনা মায় পাকপা তারবদি লেবরনা গভর্নমেন্ট চাদিং কন্ট্রোল তৌদুনা টেক্সশিং য়ারিমখৈ নেমহনবা ঙমগনি হায়খি।

শেন্দোংগী চাং লিবরেলশিংগী মখাদা কা হেন্না ৱাংখি। পেন্দেমিক লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ফাওবা লিবরেলশিংনা শেন্দোংগী চাং হান্নদগী শরুক অনী হেনগৎহনখি। ওষ্ট্রেলিয়নশিংনা রেস্পোন্সিবিলিটি খঙবা অমদি মীয়ামগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নবা পান্বা প্রাইম মিনিষ্টর অমা লৈহনবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তাখি।